অজাদি কা অম্রিট মহোটসবকা মরী লৈননা আই জি এ আর (ইষ্ট) অমসুং ২৬ সেক্তর অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা নোনে বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা খোংশাং ভিলেজদা পাঙথোকখিবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প

ASSAM RIFLES FRIENDS OF THE HILL PEOPLE
NONEY BATTALION
MEDICAL CAMP
KHONGSANG VILLAGE

ক্ষেত্রিগাও এ সীবু মাঙজিল থাবা এ সী অমা ওইহন্ননবা হোৎনরম্বা লৈখিদ্রবা সোসল ৱার্কর ৱাহেংবম বসন্তগী ৬৬শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা বসন্তগী শক্তমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবা

Wahengbam Basanta
Founder & Former President
UYLA

কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুর (কাদা, য়ু পি এফ, নিপকো, এমসু, য়ু পি এ সী ও, মপি কাউন্সীল)না কোভিদ-১৯গী মতাংদা মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমদি পোষ্টর কেম্প্যেন কৈথেল অমদি ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্বা এরিয়াশিংদা পাঙথোকখিবা

থৌবাল ইমা, নিংঙোল শিন্থা য়াইফ লূপ ৱাংখেম অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংননবা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা থীমদা ৱাংখেম পুখ্রি মপালদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা মীফম

KHANNA NEINABA

থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএন এস): বিপ্লবী কমরেদ থোকচোম বীরগী ৯৬শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম চম্না পাঙথোক্লগনি হায়না ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি (আই সী সী), মণিপুরগী সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরী খুন্নাইগী অচৌবা থৌদাং মায়পুনরিবা লৌমী-শিনশুবশিং, শোখনা লৈরিবা নুপী মীয়াম, খুন্নাইগী য়ুম্বী ওইরিবা মহৈরোয়, নহারোল অমসুং ইমপ্লোয়ীশিংগী য়াইফনবা লুচিংবা অসিনা হনবা লৈতনা থেংনরকখি। মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটশিং চোকথবা লৈতনা থেংনরমখিবা তাঙলবা লুচিংবা থোকচোম বীরগী ৯৬শুবা মপোক নুমীৎ ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি (আই সী সী)না শীন্দুনা সেপ্টেম্বর ১৫দা কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লা ইরাবত ভবন ইম্ফালদা চম্না পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা বিপ্লবী কমরেদ বীরগী তুংইনবা লুচিংবা কয়ানা কমরেদ বীর অমসুং মহাক্কী থবক হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংগনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএন এস): ওল মণিপুর নুপী মরুপকী মেম্বর ওইরম্বী ভেটরান মেম্বর মৈস্নাম ভামানা ঙসি অয়ুক পুং ৩ তাবদা তাইবংপান থাদোক্তুনা মপুগী লৈকোলদা চঙজখ্রে। মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা নুপী মরুপ, কোন্থৌজম এরিয়া কম্মিটিগী মরুওইবা লুচিংবী ওইবীরম্মী লোয়ননা নুপী মরুপকী ষ্টেট কাউন্সীল্লর ওইবগা লোয়ননা ষ্টেট কনফরেন্স কয়াদা শরুক য়াখি। মহাক্লা লৈখিদবদা নুপী মরুপকী অথুবা মীফম অমা ইরাবত ভবনদা পাঙথোক্তুনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজখি। লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএন এস): জননেতা ইরাবত মেমোরিএল ট্রষ্ট নম্বোলনা শীন্দুনা জননেতা ইরাবতকী ৭০শুবা লৈখিদবা নুমীৎকী নীংশিং থৌরম লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৫দা নম্বোল বস পার্কিংদা লৈবা জননেতাগী মিতম খ্বীল্লিবা মফম অসিদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোক্লগনি। মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইবগী ফিদম্নিংঙাই অমা ওইরবা মহাক্কী অৱাংবা ৱাখল্লোন অমসুং কথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক থেংনখিবা কয়াবু ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মহাক্কী মিতমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা অমসুং নুমীদাংদা মৈরা কৎপনা মরুওইবা থৌরম ওইগনি। থৌরম অসিদা মীয়াম্নসু শরুক য়াবীয়ু হায়না জননেতা ইরাবতকী ৭০শুবা দেথ এনিভর্সরি সেলেব্রেসন কম্মিটি, জননেতা ইরাবত মেমোরিএল ট্রষ্ট নম্বোলগী কনভেনর খোইস্নাম রনবিরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীদিয়া ইন-চার্জ, কনভেনর হাপখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএন এস): ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা (বি জে ৱাই এম) মণিপুর প্রদেশকী পার্টি ওর্গনাইজেসনগী মীদিয়া এক্টিভিষ্ট মেনেজমেন্ট ইনপ্রুব তৌনবা ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা লৈরিবা মীওই অহুম্নু মীদিয়া ইন-চার্জ, মীদিয়া কনভেনর অমসুং মীদিয়া কো-কনভেনর ওইনা হাপখ্রে।

ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট মনোহরময়ুম বারিশ শর্ম্মানা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা ষ্টেটকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরিবা দেবান চিংশুবমসু মীদিয়া ইন-চার্জ, রোজিৎ চোংথামবু মীদিয়া কনভেনর অমদি লিশম দিলিপকুমারবু মীদিয়া (কো) কনভেনর ওইনা হাপখ্রে হায়রি।

ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

125th BIRTH ANNIVERSARY
JANNETA HIJAM IRAWAT
13th SEPTEMBER, 2021 (MONDAY)
VENUE : KHAMNAM LEIRAK, IMPHAL WEST

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই), পাৎশোই লোকেল কাউন্সীলনা শীন্দুনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে।

সী পি আই, পাৎশোই লোকেল কাউন্সীলগী সেক্রেটরি খুমুকচম জয়কুমারগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী হান্নগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এল থোইরেননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা কমরেদ এল সোটিনকুমারনা হায়খি, ইন্দিয়াদগী বৃটিশনা হনখ্রবা মতুংইকুই কুইদনা মণিপুর য়াওনা ষ্টেট মঙা পুনশিন্দুনা পুর্বাঞ্চল প্রদেশ কৌবা ষ্টেট অমা শেম্লকপগী মায়োক্তা চীং-তমগী অপূনবা ঈহৌ অমা শাগৎতুনা চীংঙাদা অচৌবা মীফম অমা ফমখি। নুমীৎতুদা লল্লাইরোমদগী মীফম অদু য়াওবা লাকপা মীয়ামগা পুলিসকা মুক্লবদগী পুলিসকী মীওই অমা শিখি। নুমীৎতুদগী ইরাবত অন্দরগ্রাউন্দ তাদুনা মণিপুরদা পোকচরবসু বর্মাদা শিখি। লোয়ননা মতমদুদা পুর্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বগী থৌরাংসু হন্দোকখি। মরম অদুনা ঐখোয়না লময়ানবা অসিবু নীংশিংদুনা সেপ্টেম্বর থাবুম অমা চুপ্পা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা থৌরম অসি পাঙথোক্লিবনি হায়খি।

অমরোমদা, সী পি আই মোইরাং লোকেল কাউন্সীলগী ত্রোংলাওবী ব্রাঞ্চনা য়ুম্নু ওইদুনা কমরেদ হুইরেম শরতকী শঙলেনদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা ১২৫শুবা জননেতা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সী পি আই বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি কে বিমোল, ফুবালা জি পিগী এক্স-প্রধান ওইনাম জুগিন, ফুবালা জি পিগী এক্স-মেম্বর ওইনাম মুনাল, ত্রোংলাওবী জি পিগী জিলা পরিষদ মেম্বর কে অখোইকুমার, ঙাঙ্খলৱাই জি পিগী এক্স-প্রধান এম পঞ্চোম অমদি ভেটরান পোলিটিসিয়ন খোইরোম গোপাল মৈতৈনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমশিং অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী শক্তমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায়খুম্নবসু উৎখি।

মীলাল অমসুং দেসামনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): প্রি-প্রাইমারদগী হায়র এদ্যুকেসন ফাওবা অমসুং টিচরস এদ্যুকেসন প্রোগ্রামদা ইমালোলদা ফোর্মেল এদ্যুকেসন তমহন্ননবগীদমক মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল)কী জেনরেল হুইরেম লোইখোম্বা মীতৈ অমসুং দেম্মোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী সেক্রেটরি জেনরেল লৈশাংথেম লময়ানবনা খুৎয়েক পীদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা তাল্লিবা দিমান্দশিংগা মরী লৈননা দেসাম অমসুং মীলালগী মায়কৈদগী থমখিবা ৱাফমশিংদি লোল হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী তৎনবা য়াদ্রবা মহৌশা লাইরেম্বীগী খুদোলনি। লোল হায়বসি ৱাখলনি, ৱাখল হায়বসি লোলনি। মীওইবগী তোপ-তোপ্পা মশক অমদি ৱাখল খনবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈবসিনি। মীওইবা খুন্নাইনা মহৈ-মশিন তম্বা (এদ্যুকেসন)বু অসুক্কী মতিক মরুওইনা লৌনরিবসি মহৈ-মশিন তম্বনা মীওইববু কাঙলোন চুম্না ৱাখল খনবা ঙমহল্লি। চাউখৎ লোল (সিবিলাইজেসন) হায়বসিমক মীওইবনা ৱাখল খনবগী মহৈনি। মীওইবনা খল্লিবমখৈ চাউখৎ মায়কৈদা খোঙথাং অমমম থাংলিবনি। অসুম্না চাউখৎ লমজেলদা খুদুপ থানা চেনবা ঙম্নবা মহৈ-মশিন তম্বা হায়বা অসি খ্বাইদগী খুৎলোয়বা ইমালোলদা তম্ফম থোকই।

লোল হায়বসি মহৌশা লাইরেম্বীগী খুদোলনি। মী ওইনা পোক্লবদি লোল অমা শোয়দনা ঙাংবা হৈগনি। তমদনা মতোমমতা হৈরকপা হায়বসি ইমালোলখক্তনি। মীপুম খূদিংমক চহী ৫ (ক্রিটিকেল পেরিওদ)গী মনুংদা মতোমমতা ইমালোল হৈরক্কনি। ইমালোল হৈত্রবদি মীগী মরোল অমা হৈবা ওইথোক্তে।

ইমা লোলদা মহৈ তমসি হায়বদা থোরক্লিবা খ্বাইদগী মরুওইবা চয়েৎনবা ৱাফম অমদি ইংলিস হায়বসি মালেমগী ফাওনলোলনি, মসি হৈত্রবদি মীরক তীনবা ঙম্লোই হায়না ইশা ইতোমতা মীৎ তাঙলবা মী অমা ওইনা লৌনবা অসিনি। ইংলিস লোলগী অপূনবা ৱাহৈ মশীংসি লাখ তরারোমনি। মসিগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক ইংলিসপু মমালোল ওইনা ঙাংলিবা মীওইশিংনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ মশীং অসি ১,৭০,০০০ মুক্লি। অদুগা লন্নাই মীওই অমনা শীজিন্নবা ৱাহৈ মশীংনা ২০,০০০দগী ৩০,০০০ মুক্তনি। কনাগুম্বা মীতোপ অমনা ইংলিস লোল শীজিন্নদুনা য়ু এস এদা পি ঐচ দি তৌগে হায়রবদি ৱাহৈ মশীং ৮০০০ খঙলগা তৌবা য়াই। ঐখোয়না পোকপদগী ইংলিসতা লাইরিক তমজরবসু ঐখোয়না খঙলিবা ইংলিসকী ৱাহৈ মশীং অসি ৮০০০দগী ইহেন হেল্লম্লোই। অসুম্না য়ামখিদ্রবা ৱাহৈ খরা অসি শীজিন্নদুনা মহৈ-মশিন তম্বা হায়বসি কৈদৌনুংদা মপুং ফারোই। ঐখোয়গী অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিনগী লমদা মতিং ফুদোকপা ঙমদ্রিবা, মহৈগী থাক (ক্লাস) ৱাংখৎলক্লিমখৈ মহৈ তম্বা তোকপগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসি ইংলিস লোলদা মহৈ তম্লুবগী মহৈনি। য়ুনেস্কোনা মীতৈলোল খুদোংথিনিংঙাই ওইবা লোলনি হায়রিবসি ইংলিস লোলদা মহৈ তম্লুবগী মহৈনি। লোল অমা মুৎখিবা হায়বসি লোলদুবু মমালোল ওইনা ঙাংলিবা ফুরুপতু মুৎখ্রবনি। এন ঈ পিগী খোঙথাংদা ইরোল অসিগীদমক শেম-শাবা হায়বশিং অসি নৎত্রবদি ঐখোয়গী নুমীৎ অমা অমুক লাক্লরোই হায়রি।

মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর এম এস পি দি সী এল এন্দ এম এস পি সী এল এগজাম কমপ্লিটেদ কেন্দিদেটস ২০১৯গী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্লবা মতুংদা হৌজিক হৌজিক এম এস পি দি সী এল অমসুং এম এস পি সী এল অনীগী হায়দোক্তনা লৈরিবা এগজাম অসিগা মরী লৈননা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়না ওল মণিপুর এম এস পি দি সী এল এন্দ এম এস পি সী এল এগজাম কমপ্লিটেদ কেন্দিদেটস ২০১৯গী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীফম অসিনা লৌখ্রবা ৱারেপশিং অদুদি কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ৩০দা নোটিশ থোক্লগা কৌখিবা এম এস পি দি সী এল অমসুং এম এস পি সী এলগী থবক অসিবু ঙসি ফাওবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হায়দোকপগী মহুৎতা নমশিন্দুনা মতম শাংনা থমদুনা লৈরে। মরম অসিনা এম এস পি দি সী এল অমসুং এম এস পি সী এলগী এগজামগী প্রোসেস লোইশিন্দনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্ননবা তকশিনবা, পৱার মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি ফাওবা উননবা এপোইন্টমেন্ট পীবীদনা লৈরকপনা কেন্দিদেটশিংদা চম্নবা পোকহনবদা নত্তনা মখোয়গী পুন্সিদা অকায়বা কয়া থোক্লকপনা তঙাইফদনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা এগজাম অসি অথুবা মতমদা হায়দোরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজে। লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২০ ফাওবদা এগজামগী রিজল্ট আউট তৌননবা থবক্তা ওন্থোক্তবা তারবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তা পুন্নমক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থৌদাং পুগদবনি হায়না লেপ্পরে।

এসোসিএসন অসিনা অসিগুম্বা ফিরেপ লৌরক্লিবা অসি কেন্দিদেট কয়াগী পুন্সি মাঙলনি খন্দুনা কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা লৌরকপা ফিরেপনি। মসিদা মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌবীয়ু। কোরোনাগী লাইচৎ মরক অসিদা এসোসিএসন্না লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিসু মণিপুরদা থবক ফংদদুনা লৈরিবা অসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থওইবীদবগী থৌওংনি হায়না লৌদবা ঙমদে হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

লোৎতুনা লৈবা লালহৌবশিংবু কোয়থি থিদুনা ফাবদি ঙম্লগা ফোংনা য়োল্লিবা য়ুনা থিংবা ঙমদ্রে হায়বসি মীয়ামদা মীনম্বনি : গীতচন্দ্র

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): লোৎতুনা লৈরিবা লালহৌশিং কোয়থি থিদুনা ফাবদি ঙম্লগা মণিপুরগী মফম খূদিংদা ফোংনা য়োল্লিবা য়ুবুনা থিংবা ঙমদ্রে হায়বসি মীয়ামদা মীনম্বনি হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা), নিঙোল শিন্থা য়াইফ লূপ ৱাংখেম অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংননবা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা থীমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাংখেম পুখ্রি মপালদা ঙসি পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা মীফমদা মথক্কী ৱাফম অসি কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্লা য়ু থিংবা ঙমদ্রে হায়বা অরানবা প্রোপেগন্দা তৌদুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংদুনা লমদম অসিদা য়ু লিগেলাইজেসন তৌননবা হোৎনবা লাইবক থীবনি। মণিপুর লৈঙাক্লা পুকচেল শেংনা লমদম অসিদগী য়ু থিংগে হায়না খল্লবদি মায় পাক্লোইদবগী মরম লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা হায়খি, য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম কয়া অমা পুথোক্তুনা চাউখৎ থৌরাংগী মিংদা মণিপুর লৈঙাক্লা য়ু শুংননবা থবক পায়খৎলোইদবনি। ঐখোয়গী খুন্নাই অসি য়ু অমদি তোঙান তোঙানবা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিংগী অচৌবা চৈথেং নংলি। চৈথেংশিং অসি কোক্ত্রিঙৈদা লমদম অসিদা য়ু শুংনবা হোৎনবগী থৌরাং অসি মীয়াম্বু মাঙহন্ননবা শিনবা থৌরাংনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে হায়খি।

থৌরমদুদা নিংঙোল শিন্থা য়াইফ লূপকী প্রসিদেন্ট খাঙেম্বম প্রমোদিনি, ভাইস প্রসিদেন্ট পুয়াম সর্জুবালা অমসুং থৌবাল ইমাগী সেক্রেটরি মোইরংথেম ওংবী সনাতোম্বীসু প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈরাও বিত্র লিতান থোংখোং কম্যুনিটি হোলদা কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং পান্থোইবী লৈমরোল লমজিং মৈরা এসোসিএসন্না পুন্না শীন্দুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংনবা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা কাদাগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম ওংবী মেমচৌবী অমসুং কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দোরেননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কার এক্সিদেন্টতা মীওই ৫ শোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে টুগী কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চঙৌবুং অমদি কাংপোকপী মরক্তা লৈবা এস গোলাইদা মীওই মঙা তোংদুনা লাকপা অল্টো কার (এম এন ০৬ এল/৭৮৯২) অমা কলভর্ট অমগী মখাদা লৈবা তুরেলদা মথক মখা ওল্লগা তাশিনখিবদগী কার অদুদা তোংলকপা মীওই মঙা শোক্তুনা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েন্নখ্রে।

ঙরাং নুমীৎয়ুংবা মতুংদা থোকখিবা কার এক্সিদেন্ট অদুদা শোক্লবা মীওই মঙা অদুদি সাইকুল সব-দিভিজনগী মনুং চনবা আইগেজাং খুলদগী সৈখোলেন (৫৮), সব-দিভিজন অসিগী মনুং চনবা চুল্লৌফাই খুলদগী থাংলেনমাং (৪১), খামেনলোক খুলদগী জাংথাং (৪১), খুল অসিমক্তদগী ভানৈকিম (৪৮) অমদি সোংজাং খুলদগী সৈলাল (৪১)নি হায়রি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ফীভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): দেম্মোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম ইদিসননা লুচিংদুনা মহৈরোয় লূপ অসিগী থৌমীশিংনা জিরিবামগী উচাথোলদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অসিগী দেসামগী প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম ইদিসননা পাউমীশিংদা হায়খি, দেসামগী অখন্নবা টিম অমনা জন্যুৱারী থাদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিনখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা অৱাৎ-অপাশিং পীবীননবা দিমান্দ তৌখ্রে। মসিগী মহৈ ওইনা হোস্পিটাল অসিদা ঙসি অমুক য়েংশিঞ্জবা অসিদা স্পেসিএলিষ্ট ডোক্তর মরি য়াওনা ডোক্তর ১৫ রোম্না মীয়াম্বু অনা-লায়েংগী থবক চথুরম্বা থেংনরম্বসি থম্মোয় শেংনা হরাওজে। হান্না লৈরম্বা ফীভমদগীসু অহোঙবা খরদি উবা ফংলে।

জিরিবাম অসি দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইজরবসু দিষ্ট্রিক্ট অমগী থাক্তা লৈবা হোস্পিটাল ওইদ্রি। ফুল ফ্লেজেদ দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমা ওইহন্দুনা লৈফম থোকপা ডোক্তর অমদি ষ্টাফশিং থম্বীদুনা জিরিবাম মীয়াম্না অনা-লায়েংগী লমদা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা কোকহনবীয়ু। জিরিবামগী মীয়াম্না হোস্পিটাল অসিদা করিগুম্বা অরুবা লায়না নৎত্রগা ওপরেসন তৌগে হায়রবদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবনা ইম্ফালদা নৎত্রগা য়ুম্লোন্নবা কছার, সিলচর, অসামলোমদা লায়েংবা চৎপা মথৌ তারি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়াসি য়েংদুনা অথুবা মতমদা জিরিবামদা লৈরিবা হোস্পিটাল অসিদা মপুং ফাবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ওইহনবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা দেসামগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ফাইনান্স এস ওমেক্স, দেপ্যুটি এদ্যুকেসন সেক্রেটরি লাইশ্রম জেস্মিন, দেসাম ইম্ফাল ৱেষ্টকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ধোলি সোইবম, দেসাম জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট এল বিলক্স অমদি মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমদি পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্লা থেংনরিবা তমথিরবা কোভিদ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা অমদি থেংনবা ঙম্নবা কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুর (কাদা, য়ু পি এফ, নিপকো, এমসু, য়ু পি এ সী ও, মপি কাউন্সীল)না লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমদি পোষ্টর কেম্প্যেন ঙসি ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্বা এরিয়াশিংদা পাঙথোকখ্রে হায়না কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর গীতচন্দ্র মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরনা ঙসি মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমদি পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকখিবা মফমশিংদি ৱাংখৈ অন্দ্রো পার্কিং, লম্লোং কৈথেল, শীংজমৈ কৈথেল, থৌবাল কৈথেল, ৱাংজিং কৈথেল, ককচিং কৈথেলদা ফল্লিবা পোৎফম অমদি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা পোৎফম কুংনা ফল্লম্বশিং লম্থোকহনবা, ফেস মাস্ক উপ্তুবা, কাঙলোন চুম্না উপ্তুবা অমদি হায়জিনিক ওইদবা মাস্ক উপ্পশিংদা ফেস মাস্ক য়েম্থোকখি। পোৎ-চৈ লৈবা লাক্লিবশিং ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং লৈহনবা, পোৎ লৈবা লাক্লিবা মীওইশিংনা পুরকপা গাড়ী মচাশিং মফম চানা পার্ক তৌহনবা, অমোৎপা অমদি অমনবা মাস্ক উপ্তুনা লাকপা মীওই কয়াদা ফেস মাস্কসু য়েম্থোকখি।

কোভিদকী এস ও পিশিং ঙাক্লবা পোষ্টর কেম্প্যেন অসিগী পাউজেলদি মীয়াম তীনবা মফমদা য়ারিবমখৈ মাস্ক লৌথোকপীগনু, মীয়াম তীনবা মফমদা করিগুম্বা পোৎশক অমা চানিংলবদি মীয়ামদগী খরা নাথৈরগা চাবীয়ু, মাস্ক উপ্তুবা মীওইদা পোৎ লৈবা পীবীগনু, মাস্ক উপ্তুবা দুকান্দগী পোৎ লৈবীগনু, অদোম্না চেকশিন্দ্রবদি মীয়াম পুন্না ৱামিন্নগদৌরিবনি কাউবীগনু হায়বনচিংবনি।

এস এস বি দি ম্যুজিক কোলেজবু অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু : এ কে এস য়ু

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী অমত্তা ঙাইরবা ঈশৈ তম্ফম অমা ওইরিবা শ্রী শ্রী বাল মুকুন্দ দেব (এস এস বি দি) ম্যুজিক কোলেজ অসি অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ওল কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওল কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ কে এস য়ু)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি টি ঐচ রামেশ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শ্রী শ্রী বাল মুকুন্দ দেব ম্যুজিক কোলেজ অসি লৈঙাক্লা মতম শাংনা য়েংশিনবীদনা মপু পান্দবা অমদৌনা লৈরক্লি। মতম শাংনা হাঙদুনা লাকপা পোষ্টশিং মেনশিনবদা নারোন্দগী হাপ্পা, ওজা অমনা পোষ্ট ২/২ পায়বা, দিপার্টমেন্ট/পোষ্টসু লৈতনা ওজা হাপচিনবা, মসিদা মরী লৈনবশিংনা খঙশিন্নদনা মওং মরিল তাদবা কয়া চথদুনা কোলেজ অসি মুৎখিবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। ওইরক্লিবা ফীভমসি আর্ট এন্দ কলচরগী চার্জসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর, আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর অমদি কম্মিস্নারনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কোলেজ অসিগী ওজাশিংনা থবক্তগী পোথাবগী মতম য়ৌরক্তুনা পোথাহনখিবা অমদি লৈঙাক্লা মতম শাংনা অহাংবা পোষ্টশিং হাপ্পীরক্তবদগী কোলেজ অসিগী তাকপী তম্বীনবা ওজা ৱাৎপগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা কোলেজ অসি শিরুম-নারুম তৌদুনা মতম শাংনা লৈরকখি। অসিগুম্বা তাল্লক অসিদা কুমজা ২০১৯গী মার্চ ৭তা মতমদুগী আর্ট এন্দ কলচরগী অন্দর সেক্রেটরিনা থোকপা ওর্দর অমদা কোলেজ অসিগী ওজা ৮ চহী অমগী কন্ট্রেক্ট বেসিসতা হাপ্লকখি। মসিদা সিনিয়র লেকচরর ভোকেল ২, সিনিয়র লেকচরর তবলা ১, সিনিয়র লেকচরর ফ্লুট ১, সিনিয়র লেকচরর গিতর ১, সিনিয়র লেকচরর সিতার ১, জুনিয়র লেকচরর ভোকেল ১ অমসুং তবলা একোমপেনিষ্ট ১নি। ওজা অৱাৎপা মেনশিনবা ওইরবসু মসিদা চয়েৎনবা অরানবা চৎনবা য়ারোইদবা মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবা থৌওং কয়া চথবগী মমি তারি। লৈঙাক্কী থবক অমা লৌবদা পব্লিক নোটিফিকেসন থোক্তুনা ইন্টর্ভিয়ু তৌরগা মতিক চাবা কেন্দিদেট খনফম থোকপদু ওজা ৮ অসিগীদি নোটিফিকেসনসু থোক্তনা নারোন্দা হাপ্লি। মসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। করিগী নারোন্দা হাপ্লিবনো। মসিমক লমদমসিগী মতিক চারবা মীওই কয়ানা লাইবক য়েংজবগী খুদোংচাবা মাঙহনবা মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবা অমনি। অমরোমদা ইন্টর্ভিয়ু তৌদুনা মতিক চাবা মীওই খনগদবদু মাঙহনবনি। কোলেজ অসিগী গিতরগী দিপার্টমেন্ট/পোষ্ট লৈতনা গিতরগী ওজা হাপচিল্লক্লিবসি অচুম্বা নত্তে। করম্বা চৎন-কাঙলোনদা য়ুম্ফম ওইদুনা হাপ্লিবনো। ওজা ৮ অসিগী মনুংদা ৬পু সিনিয়র লেকচরর ওইনা হাপ্লিবসি চুম্ব্রা। কোলেজ অসিগী আর আরগী মতুংইন্না রেগ্যুলর জুনিয়র লেকচরর অমনা য়ামদ্রবদা চহী ৫ সর্ভিস তৌরবা মতুংদা সিনিয়র লেকচরর কাগদবনি। মদুসু ভেকেন্ট পোষ্ট লৈত্রবদি সিনিয়র কাবা য়াদে। অদুবু চহী ১খক্কী কন্ট্রেক্ট বেসিসতা হাপ্লকপা ওজাশিংদা মতৌ করম্না সিনিয়র লেকচররগী পোষ্ট পীরম্বনো। মসিনা কোলেজ অসিগী সিনিয়র কাবা য়ারবা জুনিয়র লেকচররশিংবু ঈকায়বা পীবগা লোয়ননা হেন্না খোয়শাউনহনবা থোরক্তুনা মথৌদা পূক্নিং চঙলক্তনবগী মরম ওইরোইদ্রা।

ৱাফমশিং অসি য়ুনিয়ন অসিনা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লকখিবনি। অসিগুম্বা অরানবা থৌওংশিং অসি মরী লৈনবা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর/কম্মিস্নারনা খুদক্তা মীৎয়েং চঙবীগদবনি। নোটিফিকেসন থোক্তনা নারোন্দা হাপখিবা ওজাশিংগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর খুদক্তা ককথৎতুনা অমুক হন্না নোটিশ থোক্তুনা পরম চুম্না মতিক চাবা ওজা লৌবীয়ু। থমজরিবা ৱাফমশিং অসি অথুবা মতমদা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর/কম্মিস্নারনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবীয়ু। লমদমসিগী ঈশৈ-নোংমাই তৌজরিবশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু এ কে এস য়ুগী পব্লিসিটিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

রঘু লৈশাংথেম অমদি মাইবম তোম্বনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী কুমজা ২০০৫দা পাঙথোকখিবা ৭০শুবা চহীগী মীফমদা তেলেম আবির শেলগী মনা পীদুনা ঈকায়খুম্নখ্রবা শৈরেং অমদি অঙাংগী সাহিত্য ইবদা শক্লাইরবা অইবা রঘু লৈশাংথেম অমসুং পরিষদ অসিগী কুমজা ২০১২দা পাঙথোকখিবা ৭৭শুবা চহীগী মীফমদা সঙ্গীতভুষন (খুন্নুং ঈশৈ) হায়বা উপাধি পীদুনা ঈকায়খুম্নখ্রবা খোংজোম পর্ব্বগী শক্লাইরবা শৈশকপা মীয়াম্না লমজাও তোম্বা হায়না খঙনবা মাইবম তোম্বনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এলাংবম প্রিয়ব্রতনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০১৯দা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতগী দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা থবক্তগী পোথাখিবা অইবা রঘু লৈশাংথেম হৌজিক হৌজিক পরিষদ অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইবদা নত্তনা পরিষদ অসিগী চেফোঙ সাহিত্যগীসু সম্পাধক ওইরিবা অচঙবা মেম্বর অমনি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্লা মণিপুরী সাহিত্যদা শৈরেং অমদি অঙাংগী সাহিত্যদা খুৎ থাদুনা লাইরিক কয়া খুদোল তম্লম্মী। শৈরেংদা পুন্সি তেলঙ্গা (১৯৯১), লানবু লৈ ওইনা শান্নরিবা (১৯৯৮), নুঙ অসি লাইনি লৈ অসি ঈনি (১৯৯৯), হনুবীগী ঈশিং পুন (২০০২), খুঙ্গংগী চিঠি (২০০৫), চীংশাং নাপোম্না কপ্লি (২০০৭), লৈই অমসুং মমিশিং (২০১৯), অঙাংগী সাহিত্যদা অতিথি উচেক (২০০৩), তেঞ্জৈ অমসুং ঙা মমীৎ (২০০৫), পাৎপানগী থোইবী (২০১৩), য়েন লাবা খোংলক্লে (২০১১) অমসুং খোরিফাবা (২০১৯) পনবা য়াই।

অইবা অসিনা মণিপুরী সাহিত্যদা তৌরম্লিবা খুদোল অসিগীদমক ফংখ্রবা মনাশিংদগী পনবা য়াবা খরদি হনুবীগী ঈশিং পুনদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী তেলেম আবির শেলগী মনা (২০০৫), খুঙ্গংগী চিঠিদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ (২০০৯), পাৎপানগী থোইবীদা সাহিত্য একাদেমী বাল সাহিত্য এৱার্দ (২০১৩) অসিনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অঙাং ওইরিঙৈদগী ঈশৈ নোংমাইদা থৱায় য়াওরকখিবা মাইবম তোম্বা লমদমসিগী শক্লাইরবা ওজা কয়াদগী খুন্নুং ঈশৈগী মহৈসি তম্লকখি। ওজাশিং অসিগী মনুংদা থাঙ্গী হৈস্নাম মঙ্গোলজাওসু অমনি। মোইরাং কংলৈ ঈশৈ শিন্দমশঙদগী চহী অহুমগী সর্টিফিকেট কোর্স পাস তৌখি। মহাক কুমজা ১৯৮৮দা ইষ্ট জোন কলচরেল সেন্টর, ৱেষ্ট বেঙ্গলনা শীনবা নেসনল কলচরেল ফেষ্টিভেল (অপনা উটসব), কুমজা ১৯৯১দা নোর্থইষ্ট জোন কলচরেল সেন্টর শিল্লোংনা শীনবা ফোক্ক সোং ফেষ্টিভেলনচিংবদা শরুক য়াখি। মহাক্লা কলা অসিদা তৌরম্বা খুদোলবু শকখঙদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবশিংগী মনুংদা পনবা য়াবদি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী রিছার্চ ফেলোশিপ (১৯৮৭), ইপা থৌকোক্লা শীনবা খুল্লং ঈশৈ ফাংনবগী থৌরমদা অহানবা মনা (১৯৮৯), ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ (২০০৮), মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী সঙ্গীতভুষন (খুন্নুং ঈশৈ) (২০১২) উপাধি অসিনি।

শক্লাইরবা অইবা রঘু লৈশাংথেম অমদি শৈশকপা মাইবম তোম্বনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা হৌজিক হৌজিক্কী কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা ইশা ইশা লাক্নদুনা পুনবগী খুদোংচাদবনা ভর্চ্যুয়েল কোন্দোলেন্স মীটিং অমা অথুবদা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট কাঙজম ইবোহলনা থৌরম মপু ওইদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা পরিষদকী মেম্বরশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মতম পুম্নমক্তা লাইরম্লেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা খুরুমজখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।